# আর এফ সী সীনা রাইজিং ক্লব মায়থীবা পীখ্রে, এল এফ সী ঙাইখোং খুনৌ অমসুং লোক্তাক এফ সী দ্রো চংখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৫দগী হৌরগা দি এস এ বিষ্ণুপুরগী মীনি ষ্টেদিয়মদা চথদুনা লাক্লিবা অহানবা য়ুম্নাম মনাও (সিনাবা) মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা আর এফ সী সী কৈনৌনা রাইজিং ক্লব ঙাইখোং খুলেন মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা এল এফ সী ঙাইখোং খুনৌ অমদি লোক্তাক এফ সী লোক্তাক প্রোজেক্ট মান্নবা পাঞ্জলশিং চন্নদুনা দ্রো চংখ্রে।

দি এস এ বিষ্ণুপুরগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা টিম ৯না গ্রুপ অনী খায়দোক্তুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা রিগ্যুলর ফুটবোল কোচিং সেন্টর (আর এফ সী সী) কৈনৌ অমদি রাইজিং ক্লব ঙাইখোং খুলেনগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী আর এফ সী সী কৈনৌনা পাঞ্জল ৩-১দা রাইজিং ক্লব ঙাইখোং খুলেন মায়থীবা পীরমখিবনি। আর এফ সী সীগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৩৩, ৭১ অমদি অনীশুবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা মথংশিংনা এন মঙাল, ঐচ রোক অমদি টি গুলসননা অমমম চনখিবনি। মেটচ অদুদা মায়থীহৌরগা রাইজিং ক্লব ঙাইখোং খুলেনগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা কে ধোনিনা চনখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দগী লিগ মেটচতা লিটল ফ্লৱার ক্লব (এল এফ সী) ঙাইখোং খুলেন অমদি লোক্তাক এফ সী লোক্তাক প্রোজেক্ট অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৌগৎলকপদগী বোল পায়বগী চাং চাংচৎতা মান্নবা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চংখিবনি।

মেটচ অদুদা লোক্তাক এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা ৬৬ শুবা মিনটতা কে ঐচ জেবিসননা চনখিবনি। অদুগা এল এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা ৮১ শুবা মিনটতা লোয়াঙম্বনা চনখিবনি। চথরিবা ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ অসিগী মখা তাবা লিগ মেটচ ওইনা থা অসিগী ২১গী নুংথিল পুং ১ তাবদা দল্লিয়ু ৱাই সী ঙাইখোং খুনৌ অমদি য়ু এফ সী বিষ্ণুপুর অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দনা টি ৱাই দি এ তৌবুল অমদি ইশোক এফ সী টিমগী মরক্তা লম্বা তৌনগনি।

# নেশনল সেপাকটাক্রো চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদবশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস):** সেপাকটাক্রো ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা গোৱানা য়ুম্বু ওইরগা মথং থাগী ২৩দগী হৌরগা ২৭ ফাওবা গোৱাগী মদগাউনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৫ রক শুবা সিনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন নেশনল সেপাকটাক্রো চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা মণিপুরগী মহুৎ শীল্লুগদবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি ওল মণিপুর সেপাকটাক্রো এসোসিএশন (এ এম এস টি এ)গী জেনরেল সেক্রেটরি পাঙম্বম বিরজিৎনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর ষ্টেটকী নুপা অমদি নুপী সেপাকটাক্রোগী টিম অদুদা নুপা শান্নরোয় ১৫ অমদি নুপী শান্নরোয় ১৫ পুন্না মীওই ৩০গী মমিং লাউথোকখিবনি।

মণিপুর টিমগী খনগৎলবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংনা এম এম এস টি এগী জেনরেল সেক্রেটরিদা থা অসিগী ২২গী অয়ুক পুং ৮ তাবদা হৈঙাংদা লৈবা আই এম এস য়ু সীগী ওফিসতা লাক্তুনা মতম চানা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, এসোসিএশন অসিগী অতোপ্পা চেরোল অমগী মতুংইন্না খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা লৈবা এসোসিএশন অসিগী ওফিসতা মথং থাগী ৫গী নুংথিল পুং ১ তাবদা ওল মণিপুর সেপাকটাক্রো এসোসিএশনগী স্পেসল জেনরেল বোদি মীটিং অমা পাঙথোক্লগনি। অমদি মেম্বরশিংনা মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়ানবসু এসোসিএশনগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1598**

MikhailMikhailovich Yudovich - Mikhail Pavlovich Zagorovsky
USSR ch-07 6566 corr, 1965

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 Bb4 | 4.e3 c5 | 5.Bd3 O-O |
| 6.Nf3 d5 | 7.O-O Nc6 | 8.a3 dxc4 | 9.Bxc4 Bxc3 | 10.bxc3 Qc7 |
| 11.Ba2 e5 | 12.h3 e4 | 13.Nh2 Bf5 | 14.Ng4 Nxg4 | 15.hxg4 Bg6 |
| 16.a4 Rad8 | 17.Qe2 b6 | 18.Ba3 Nb8 | 19.f4 exf3 | 20.Qxf3 Qe7 |
| 21.Rae1 Be4 | 22.Qg3 Kh8 | 23.Rf4 Nd7 | 24.g5 f6 | 25.g6 h6 |
| 26.Bf7 f5 | 27.c4 Nf6 | 28.Qh4 Rd7 | 29.d5 Ng4 | 30. ... |

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1597 Solution :**

**25. ...Qxa2+** *The black queen decoys White's king. The black queen deflects White's king away from protecting the bishop.*
**26.Kxa2**
*26.Kc1 Qxc2#*
**26. ...Rxc2+** *The black rook captures White's bishop, which was defending White's pawn. The black rook attacks White's king, which is defending the square a3 and White's pawn.*
**27.Kb1**
*27.Ka1 Nxb3+ 28.Kb1 Na3#*
**27. ...Na3+ 28.Ka1 Nxb3#**
**0-1**

# এস এ এফ এফ য়ু-১৭ চেম্পিয়ন্সিপঃ ইন্দিয়া সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



**কলম্বো, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী):** শ্রীলঙ্কানা য়ুম্বু ওইদুনা কলম্বোদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা এস এ এফ এফ অন্দর-১৭ চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী ওইনা ঙরাং নুমিদাং গ্রুপ বিগী মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং ভুটানগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুদা ইন্দিয়ানা মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

কলম্বোদা লৈবা রসিকোর্স ইন্টরনেশনল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং নুমিদাং টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ফুটবোল মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীগী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবগা লোয়ননা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। হৌগৎলকপদা টিম অনীনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখ্রবসু মেটচকী ময়ায় চল্লকপদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা হৌরকখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা ইন্দিয়াগী হৈশিংলবা শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চনবা য়াবা কাউন্টর এটেকশিং চথদুনা শান্নবা হৌরকখিবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী ৫৮ শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রহান অহম্মদনা চনখিবনি। ভুটানগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং খরা ৱাৎখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ভুটানগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিদবনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি।


## ꯑꯣꯏꯕꯗ ꯃꯦꯃ / PH.D. DEGREE AWARDED



**Mrs. Neha Moirangthem** has been awarded Doctor of Philosophy (Ph.D.) vide Notification No. MU/9-110/24/2004 dated 18th September, 2025 bearing registration 3187/13 for her research titled ***"A study on women leadership and employees effectiveness in Manipur"*** by Manipur University Canchipur, Imphal, Manipur.

She worked under the guidance of **Prof. L. Jibon Kumar Sharma**, Manipur Institute of Management Studies (MIMS), Manipur University. During her research period, she has presented papers in national seminars and also published research papers in international journals listed in Scopus.

Neha Moirangthem is daughter of Shri Moirangthem Nabachandra Singh & Smt. Moirangthem (O) Anandi Devi of Uripok Lamboi Khongnangkhong, Mela Ground Leirak. She is wife of Dr. Puyam Dholendro Singh & daughter-in-law of Shri. Puyam Dhiren Singh (Retd. IPS) & Puyam (O) Angoubi Devi of Kongba Makha Nandeibam Leikai.

We extend our heartiest congratulation and best wishes to Dr. Neha Moirangthem for her academic accomplishments and wish her continued success in all her future endeavours.

With Best Wishes
Family, Relatives and Friends

HL-P/3497/21


# চাইনা মাষ্টর্স ২০২৫ঃ সটৱিক অমসুং চিরাগকী পুংবা ফাইনেল চঙখ্রে



**সেনঝেং, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী):** চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা হৌজিক চথরিবা চাইনা মাষ্টর্স ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা মেন্স দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী সটৱিকসাইৱাজ রনকিরেদি অমসুং চিরাগ সেটিগী পুংবা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি সটৱিক-চিরাগকী পুংবানা মালেসিয়াগী অরোনচিয়া অমসুং সো ৱি য়িককী পুংবাগা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নখি। ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা ইন্দিয়াগী পুংবা অসিনা মখোয়গা মায়োক্নরিবা মলেসিয়াগী পুংবাবু ষ্ট্রেট সেট ২১-১৭, ২১-১৪দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

পুংবা অসিনা হন্দক্কী সিজন অসিগী ওইনা বি দল্লিয়ু এফ টুরদা ফাইনেল চঙবা ঙন্বা অসি অনীরক শুরে। হোংকোং ওপনদসু ইন্দিয়াগী পুংবা অসি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবনি। পুংবা অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা দবল ওলিম্পিক মেদলিষ্ট ওইরিবা পুংবা অসিনা খরা লাকচনা শান্নখি। অদুবু ইন্দিয়াগী পুংবা অসিনা অমুক হন্না মেটচ অদু কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নবা ঙল্লকখিবগা লোয়ননা শুপ্পতংগী মিনট ৪১দা মালেসিয়াগী পুংবা অদু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

মেটচ অদু মায় পাক্লবা মতুং চিরাগ সেটিনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু মখোয়গী ওইনদি য়াম্না মরু ওই। মেটচ অদু মহাক অমসুং সটৱিকনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখি। মদুগী মহয়না ঙসি চাইনা মাষ্টর্সকী ফাইনেল চঙবা ঙল্লে। হৌজিক্তি ফাইনেল চঙলবনিনা চাইনা মাষ্টর্সকী টাইটল লৌবা ঙম্নবা কন্না হোৎনরগনি হায়খি। সটৱিকনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না নুংঙাইবা মেটচ ওইখি। মখোয়গা লম্বা তৌনখিবা পুংবা অদু মখোয়দগী হেন্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ঙাক্তনি হায়খি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সেপাকটাক্রো এসোসিএশনগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর সেপাকটাক্রো এসোসিএশন (এ এম এস টি এ)গী মীৎয়েং মখাদা লৈরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সেপাকটাক্রো এসোসিএশনগী ওইনা কুমজা ২০২৫দগী হৌরগা ২০২৯ ফাওবগী নৌনা থৌ পুগদবা মীওই ১৪না শাবা ওফিস বিয়ররশিং খনখ্রেহায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সেপাকটাক্রো এসোসিএশনগী চেরোল অমনা হায়, খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা এ এম এস টি এগী ওফিসতা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সেপাকটাক্রো এসোসিএশননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এন্যুএল জেনরেল বোদি মীফমদা নৌনা থৌনা পুগদবশিং অদু খনখিবনি। নৌনা থৌ পুরগদবশিংগী মনুংদা এল উপেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট, টি রুহিনিকুমার অমসুং এন গুনেশ্বর অনীনা ভাইস প্রসিদেন্ট, টি ঐচ জে াটিননা জেনরেল সেক্রেটরি অদুগা সী ঐচ দেবকুমারনা ত্রেজরর ওইরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।


## ꯂꯩꯍꯥꯎꯔꯦꯝ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পুন্নমকপু কোনবীরন্বী শ্রীমতি **কোইজম ঁমেমা দেবী**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং খ্বাই পুন্নমকপু থাদোক্লল্লগা হৌখিবা তাং ১৬/০৯/২০২৫ ইং, লাংবনগী ২৫ নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেস ওন্দুনা শ্রী কৃষ্ণ মোহিনিরুপাধারি চৈতৈন্য দাসী হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২১/০৯/২০২৫ ইং, লাংবনগী ৩০ নি পানবা নোংমাইজিং নুমীত্তা অষ্টি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৯/০৯/২০২৫ ইং, মেরাগী ৭ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈখিদ্রবী বৈষ্ণবীগী চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবী বৈষ্ণবীগী অত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা হরি নাম শ্রবন তৌবীরনবা খবরগী থোঙদা পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চরি। খবরগী থোঙদা পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অরান-অহুই খিবিক ঙাকপীগনি।

থৌরম পরেং ঃ-
অয়ুক পুং ০৯.০০ : ভেক কৎবা
অয়ুক পুং ১২.১৫ : সঙ্কৃর্ত্তন হৌবা

বিনিতগণ ঃ-
(১) ইরেংবম ওংবী ব্রজারাণি দেবী (মচানুপী) (১) কোইজম রধাবিনোদ সিংহ (মনাওনুপা)
(২) কোইজম ইন্দুরেখা দেবী (মচানুপী) থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকাই।
(৩) লাইরেঞ্জম ওংবী জয়শ্রী দেবী (মচানুপী) ফোন নং: ৯৬১২১৫৩৭০০/ ৯৮৬২৫০৭৯২৩

HL-B/9494/21,22


# কেলেন্দর ফোঙখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস):** মণিপুর আর্চরি এসোসিএশননা শীন্দুনা চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলুপকী ওইনা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী কেলেন্দর ফোঙখ্রে। মথং থাগী ৫দগী হৌরগা ৭ ফাওবা খুমন লম্পাক এন এস এ গ্রাউন্দদা সব জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ পাঙথোক্লগনি। মথং থাগী ২৬তগী ২৮ ফাওবদা থোংজুদা লৈবা এস আই সী এদা কিদস অমদি মীনি অন্দর-১০, ১৩ অমদি ১৫ ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি হায়রি।


ꯑꯣꯟ ꯂꯥꯏ ꯐꯪꯕꯒꯦ

## VEHICLES LOAN / PENSION LOAN / EMPLOYMENT NEWS

- # 2/3/4 Wheeler Loan and Used Car ফংবীগনি।
- # State/ Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা পীজরি।
- # Employment News : Office Asst. (Graduate + upto 32 yrs), 2 Wheeler Mechanic, Mechanic Helper, Car Wash Helper, Chicken Centre Helper 2/2, Tyre Fitting Helper অমসুং চেক্কী Mistry, Jugali পামজৈ।
- # 2 Wheeler used vehicles exchangeসু ফংবীগনি।

*Please Contact :* **L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : # 9362775475 / #8414081916

HL-B/9834/9 Alt

To make life easier and build an Atmanirbhar India

# Next-Gen GST Reforms

From farmers to industries, from homes to businesses – Next Generation GST brings happiness for all from 22nd September, 2025

**Major Changes in Daily Essentials**

| Item | Previous Rate | New Rate |
|---|---|---|
| Hear oil, Shampoo, Toothpaste, Toilet Soap Bar, Tooth Brushes, Shaving Cream, Talcum Powder | 18% | 5% |
| Butter, Ghee, Cheese & Dairy Spreads | 12% | 5% |
| Pre-packaged Namkeens, Bhujia & Mixtures | 12% | 5% |
| Utensils | 12% | 5% |
| Feeding Bottles, Napkins for Babies & Clinical Diapers | 12% | 5% |

**Everyday Needs**

| Item | Previous Rate | New Rate |
|---|---|---|
| Paneer (Pre-packaged), UHT Milk, Chapati/Roti | 5% | 0% |
| Paratha, Parotta & other breads | 18% | 0% |
| Coffee, Tea, Corn Flaks & Biscuits | 18% | 5% |

**Relief in Vehicle Costs**

| Item | Previous Rate | New Rate |
|---|---|---|
| Small Cars (Petrol/Diesel up to 1200cc / 1500cc, length up to 4000 mm) | 28% + Cess | 18% |
| Two-Wheelers (up to 350cc) | 28% | 18% |
| Auto Rickshaws and E-Rickshaws | 28% | 12% |
| Electric Vehicles (EVs) | 12% | 5% |

**Benefits for Farmers and Agriculture**

| Item | Previous Rate | New Rate |
|---|---|---|
| Tractors Tyres & Parts | 18% | 5% |
| Tractors | 12% | 5% |
| Specified Bio-Pesticides, Micro-Nutrients | 12% | 5% |
| Drip Irrigation System & Sprinklers | 12% | 5% |
| Agricultural, Horticultural of Forestry Machines for Soil Preparation, Cultivation | 12% | 5% |

**Affordable Education**

| Item | Previous Rate | New Rate |
|---|---|---|
| Maps, Charts & Globes | 12% | 0% |
| Pencils, Sharpeners, Crayons & Pastels | 12% | 0% |
| Exercise Books & Notebook | 12% | 0% |
| Eraser | 5% | 0% |

**Relief in Health Services**

| Item | Previous Rate | New Rate |
|---|---|---|
| Individual Health & Life Insurance | 18% | 0% |
| Thermometer | 18% | 5% |
| Medical Grade Oxygen | 12% | 5% |
| All Diagnostic Kits & Reagents | 12% | 5% |
| Glucometer & Test Strips | 12% | 5% |

**Reduction in Electronic Goods**

| Item | Previous Rate | New Rate |
|---|---|---|
| Air Conditioners | 28% | 18% |
| Television (above 32") (including LED & LCD TVs) | 28% | 18% |
| Monitors & Projectors | 28% | 18% |
| Dish Washing Machines | 28% | 18% |

**Process Improvements**

- Simplification: GST filing simplified for small traders and taxpayers
- Transparency: Stronger checks to curb frauds and fake billing
- Digitalization: Faster refund process and reduced compliance burden

Department of Taxes
Government of Manipur

For more information visit us on www.manipurtaxes.gov.in
For any grievance related matter please send email to manipurgrievances@gmail.com

HL-B/9870/21


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com